## য়ু এস এম্বেসিদা রোকেট কাপশিল্লকখ্রে

বাঘদাদ, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সি) :

বাঘদাদতা লৈবা য়ু এস এম্বেসি মনাক্তা রোকেট ৫ কাপশিল্লকখ্রে হায়না ইরাক্কি ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে। অদুমওইনমক থৌদোক অদুদা কনাগুম্বা অমত্তা অশোক-অপন নংখিদে।

ওথোরিটিশিংনা হায়খি, তোঙান তোঙনবা ফোরেন দিপ্লোমেটিক মিসন কয়ামরুম লৈরিবা বাঘদাদকী গ্রিন জোনদা রোকেট ৫ কাপশিল্লকখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা হৌজিক কফাওবগী ওইনা কনাগুম্বা অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

বাঘদাদতা মীওই লিশিং কয়ানা য়ু এস লান্মীশিং হনখিগদবনি হায়না খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুং নুমিৎ নিনি লৈরগা থৌদোক অসি থোখিবনি। থা অসি হৌগৎলকপদা য়ু এসনা বাঘদাদ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট মনাক্তা নোংথক্তগী এটেক চথদুনা ইরানগী মকোক থোংবা জেনরেল কাসিম সোলৈমানি হাৎখ্রবা মতুংদা হৌজিক হৌজিক মিদল ইষ্টতা উংখৎনবগী চাং হেনগৎলক্লি। সিক্যুরিটিনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লিবা গ্রিন জোন্দা রোকেট কাপশিল্লকখিবগী থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা শোকখিদে।

## অফঘানিষ্টানদা মীওই ৮৩ তোংবা প্লেন অমা কায়খ্রে



কাবুল, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সি) :

টালিবান্না খুদম চল্লিবা অফঘানিষ্টানগী ঘজনি প্রোভিন্স মনাক্তা ঙসি মীওই ৮৩ তোংবা অরিয়ানা এয়রলাইন্সকী পেসেঞ্জর প্লেন অমা কায়খ্রে।

প্রোভিন্সিয়ল গভর্নরগী স্পোক্সমেন অরিফ নুরিনা হায়খি, লোকেল টাইমদা নুংথিল পুং ১.১০ তাবদা প্লেন অদু দেহ য়াক দিষ্ট্রিক্টতা কায়খিবনি। টালিবান্না খুদম চল্লিবা মফমদা প্লেন কায়খিবগী ৱাফম অদু অচুম্বনি হায়না প্রোভিন্সিয়ল কাউন্সিলগী মেম্বর অনীনা কনফার্ম তৌখি। লোকেল মিদিয়াগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কায়খ্রবা প্লেন অদুদা মীওই ৮৩ তোংখি হায়রি।

অফঘানিষ্টানগী নেসনল ক্যেরিয়র ওইরিবা অরিয়ানা এয়রলাইন্সনদি প্লেন কায়খিবগী ৱাফম অদু অরানবনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌদোক থোকখি হায়রিবা হিন্দু কুষ্ট মাউন্টেনগী চীংখোংদা কা হেন্না অইংবা মফম অমা ওইরিবা ঘাজনি প্রোভিন্সকী চীংখোংদা পেসেঞ্জর প্লেন অদু কায়খিবনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

পনবা য়াবদি, খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা কুমজা ২০০৫ দা ৱেষ্টর্ন হেরাটতকী কাবুল তম্না পাইরকপা কাম এয়রগী প্লেন অমা অফঘানিষ্টানদা কায়খিবনি।

লানগী চৈথেং ফংলবা লৈবাক অসিদা মিলিটরি এয়রক্রাফটশিং কায়বগী থৌদোক্তি য়াম্না তোয়না থোক্লি। কুমজা ২০১৩ দা অমেরিকান বোইং ৭৪৭ কার্গো জেট অমা বাগ্রম এয়রবেজদগী পাইখ্রৎগা য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটস তম্না পাইবগী লম্বীদা কায়খি। থৌদোক অদুদা ক্রু মেম্বর ৭ মক শিখিবনি।

টালিবান্না লৈঙাক পায়রকখ্রবা মতুংদা অফঘানিষ্টানগী এভিএসন ইন্দষ্ট্রিদা অচৌবা চৈথেং অমা ফংখি। মালেমগী লৈবাক অয়াম্বনা অথিংবা থল্লকখিবদগী অরিয়ানা এয়রলাইন্সনা পাইবা য়ারিবা মফম অসি সাউদি অরবিয়া খক্তনি।

টালিবান মায়থিবা পীখ্রবগী মতুংদা প্রাইভেট এয়রলাইন্স কয়ামরুম সর্ভিস তৌবা হৌরকখ্রবসু এভিএসন ইন্দষ্ট্রি মপুং ফানা চাওখৎহনবা ঙমদ্রি।

কাবুলদা বেজ তৌবা ষ্টিফেনি গ্লিনস্কি কৌবা পাউমী অমনা হায়খি মদুদি, অরিয়ানা এয়রলাইন্সকী দিরেক্তর অলেম ইব্রাহিমিগা ৱারী শান্নদুনা প্লেন কায়খিবগী মতাংদা চপ চাবা রিপোর্ট ফংনবা হোৎনরি।

## চাইনাদগী হল্লকপদা ঙাইরিবা বাংলাদেশকী মীওই ২০০০ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে



ধাকা, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সি) :

চাইনাদগী হল্লকখিবা মীওই ২০০০ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে হায়না বাংলাদেশকী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংগা মান্নবা মওংদা বাংলাদেশনসু চাইনাদগী হল্লকপা মীওইশিং জন্যুৱারী ২১ দগী হৌনা এয়রপোর্টতা স্ক্রিনিং তৌবা হৌখি।

হেল্থ মিনিষ্টর জহিদ মলিক্যুনা এজেন্সিদা হায়খি, হিথাংফম অমদি কংফাল লম্বীগী ফাওনফম কয়াদসু স্ক্রিনিং তৌবগী থৌরাং লৌখত্তুনা চাইনাদগী হল্লকপা মীওইশিং চেক তৌরি। ধাকাগী শাহজলাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা হেল্থ ওফিসর মহম্মদ শাহরিয়ার সজাদনা হায়খি, চাইনাদগী থুংলখিবা পেসেঞ্জর পুন্না ২,১৯০ স্ক্রিনিং তৌবদা মীওই ২০০০ হেন্না কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি।

মী কুংনা তাবা লৈবাক অমা ওইরিবা বাংলাদেশতা করিগুম্বা অনাবা মীওই অমা চঙলকপা তারবদি পাক শন্না শন্দোকখিবা য়াবা মরম্না অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না জহঙ্গিরনগর য়ুনিভির্সিটিগী প্রোফেসর কবিরুল বাসরনা ফোঙদোকখি।

## চাইনাদা কোরোনাভাইরসনা শিহনখিবা মীওই পুন্না ৮০ শুখ্রে

বৈজিং, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সি) :

চাইনাদা কোরোনাভাইরসকী কনফর্ম তৌরবা কেস ২,৭৪৪ গী রিপোর্ট ফংখিবগা লোয়নন্না লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা শিখিবা মীওই ৮০ শুখ্রে।

লৈবাক অসিগী নেসনল হেল্থ কম্মিসন্না হায়খি মদুদি, কোরানাভাইরসনা নারবা মীওইশিং ফহন্নবগী পান্বে পুথোকপা ঙমদ্রিবা মরম্না লায়না অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি।

হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা লায়না অসিগী কনফর্ম তৌরবা কেস ৭৬৯ থেংনখিবগা লোয়নন্না চিংননিংঙাই ওইবা কেস ৩,৮০৬ থেংনরে। পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই ২৪ শিখিবগী রিপোর্টসু ফংলে হায়রি।

নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা ন্যুমোনিয়াগা লায়ওং মান্নবা লায়না অসিনা মরম ওইরগা শিখিবা মীওই ৮০ শুরে। মীওই ৫১ গী ফিভম খরা ফগৎলক্লে অমসুং চিংননিংঙাই ওইবা কেস ৫,৭৯৪ গী মতাংদা ওথোরিটিনা কুপ্পা য়েংল্লি হায়না কম্মিসনগী ৱারোল পল্লদুনা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

মীওই ৩২,৭৯৯ গী ফিভম য়েংশিনবগী মনুংদা মীওই ৩০,৪৫৩ ওবজর্ভেসনদা থম্লি হায়না পল্লদুনা কম্মিসনগী রিপোর্টনা হায়খি, মীওই ৫৮৩ ফিভম ফগৎলকপদগী নোংমাইজিং নুমিত্তা দিসচার্জ তৌখ্রে।

টিবেট নত্তনা চাইনাগী প্রোভিন্স খুদিংমক্তা লায়না অসিগী কেস থেংনরে। মসিদসু নত্তনা হোং কোং অমদি মকাও স্পেসল এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিজনদা লায়না অসিগী কনফর্ম তৌরবা কেস ১৭ থেংনখি। মপান লৈবাক্কী ওইনা থাইলেন্দদা কেস ৭, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং সিঙ্গাপোরদা ৪/৪, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, রিপব্লিক ওফ কোরিয়া, জপান, ফ্রান্স অমসুং মলেসিয়াদা ৩/৩, লোয়নন্না ভিয়েটনামদা ২ অমসুং নেপালদা কেস ১ থেংনখি।

লায়না অসি মপুং ওইনা শন্দোরকখিবা হুবৈ প্রোভিন্সকী কোনুং ৱুহানদা অনৌবা কেস ১০০০ হেন্না রিপোর্ট তৌরকপা থেংনরে। কা হেন্না লৌনগনা মরম্না অনৌবা কেস কয়াসু রিপোর্ট তৌরকপা য়ানা লৈরি। কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর লি কেকিয়াংনা চ্যেরপর্সন ওইবা অৱাংবা থাক্কী কম্মিটি অমা শেমদুনা তোঙন তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা হোৎনরি। ফিভম লাকশিন্নবগী পান্দমদা কনফরেন্স য়াওনা মরু ওইবা থৌরম অমত্তা লৈবাক অসিদা পাঙথোকহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলি। কোরোনাভাইরসনা মালেমগী টুরিজম সেক্তরদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরকপা য়ান্না লৈরে।

## নোর্থ কোরিয়নশিং মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে

সোল, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সি) :

দিন্যুক্লিয়রাইজেসনগী মতাংদা খোঙফম হন্দোক্লা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থাখিবা মতম হেন্দোকখ্রবা মতুংদা নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্তা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে।



নোর্থ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা মখা তানা মুক্নরক্তুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোরকপা য়াবগী ফিভম লৈরে। চহী অনীরোম নোর্থ কোরিয়ন লিদর কিম জোং-উন অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ৱারী শানদুনা ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনরবসু থোইদোক্লা কান্নবা ফংদ্রে।

নাকল অনীগী মরক্তা মুক্নবা হেনগৎলকপদগী নোর্থ কোরিয়ানা মখা তানা ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎপগা লোয়নন্না য়ু এসনসু হেন্না কনবা মখলগী অথিংবা কয়া থল্লকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। কোরিয়াদা অনৌবা চহী হৌবগী থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়নন্না লৈবাক অসিগী লুচিংবা কি জোং-উননা মীপুম খুদিংমক মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখি।

য়ু এসনা মালেমগী লৈবাক খরগা খুৎশম্ন দুনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী ৱাথোক চাওথোকহল্লকপগা লোয়নন্না নোর্থ কোরিয়ানা লৈরিবা মীওইশিং অৱাবা মায়োক্লরকপা য়ানা লৈরে হায়না জোর্জ মেসন য়ুনিভর্সিটিগী ভিজিটিং স্কোলর এন্দ্রে অব্রহমিয়ানন্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, নোর্থ কোরিয়াগী মীহুৎশিংগা তোয়না উনদুনা লাকখিবা য়ুরোপিয়ন স্কোলর অমনা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়ন ওফিসলশিংনা য়ু এসকী অথিংবা কোমথোকহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু ৱাশিংটনগী ফিরেপ হেন্না চেৎশিল্লকপা মরম্না কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী ৱাথোক চাওথোরকপা য়াই।

নোর্থ কোরিয়ানা হায়রিবদি, মরৈবাক্কী সিক্যুরিটি কনখৎহন্নবগী পান্দমদা ন্যুক্লিয়র মিসাইল শেমগৎপদা অতোপ্পা লৈবাক্লা খুৎ থিংজিনফম থোক্তে হায়বসিনি।

কমুজা ২০১১ দা কি জোং-উননা লৈঙাক পায়রখ্রবা মতুংদা ন্যুক্লিয়রগা মরী লৈননা থোরক্লিবা ৱাথোক পুম্নমক কোকহনবা ঙম্লগনি হায়না নোর্থ কোরিয়নশিংনা থাজবা থমখিবনি। কিম্নসু ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম অয়াম্বা লেপহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখি।

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
CRASH COURSE 2020
For NEET (Medical) Aspirants
Class commencement from: - 16th March 2020
SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS
Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X (Current year 2018) (Limited seats)
Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X (Current year 2018) Through Screening Test.
Special concessions for all COMET School students (Limited seats)
Prospectus and Admission form available from : 20/01/2020
FIRST COME FIRST SERVE
For details plz. contact COMET office, Keishamthong Top Leirak Maning Near, Airport Road Imphal
HL-B/5975/28,30,1,3,5

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL
OFFICE ORDER NO./1491
Dated, the 27th January, 2020
No.MU/3-121/15/Aca: In continuation of Pre-Ph.D. Admission Notice No. 1457 dated, the 22nd January, 2020, the last date of submission of application forms for admission into Pre-Ph.D. course has been extended upto 31-01-2020.
Sd-S. Buddhabati Devi
Assistant Registrar/Aca
HL-B/5998/28

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR
Ref :- Mut. Case No. 68/AS&SO/TBL, dt: 20-01-2020
Thongam Ibeni Devi W/o (L) Raghumani Singh of Athokpam. ...Applicant.
-Vs-
(Late) Thongam Raghumani Singh S/o (L) Bijoy Singh of Athokpam. ...Opp.
ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Dt. 22/01/2020
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ২৮- থৌবাল অচৌবা পাট্টা নং ৩১১ (অনৌবা), দাগ নং ৫২১৩, এরিয়া ০.০৯৯০ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিদা নামা পাল্লিবা কো-পাট্টাদার নং ১শুবা থোঙাম রঘুমনি সিংহ পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মৃ: পাট্টাদারগী লোয়নবী থোঙাম ইবেনি দেবীগী মমিংদা লম নামা পানবিরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। নত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।
Sd/- M. Ningthembi Singh
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur
HL-P/6078/28

OUR SHINING STARS
1st POSITION HOLDER HSLC 2019 (BOSEM) BHUMIKA SHAMURAILATPAM
2nd POSITION HOLDER HSLC 2019 (BOSEM) SHOPHIYA ASEM
SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market Radheshyam Shopping Complex, Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
IX,X BOSEM & XII Sc.COHSEM
STARTS ON 13th & 20th Jan.2020
MEGA TEST 2020


| CLASS X | CLASS XII |
|---|---|
| 19/01/20 - ENGLISH | 20/01/20 - ENGLISH |
| 21/01/20 - SCIENCE | 22/01/20 - PHYSICS |
| 23/01/20 - S/S | 24/01/20 - MATHS |
| 27/01/20 - MATHS | 28/01/20 - CHEMISTRY |
| 29/01/20 - M/M | 01/02/20 - BIOLOGY |
| 2/02/20 - OPTIONAL | |


CLASS IX,X, XI & XII (GENERAL MATHS) CLASS X (HIGHER MATHEMATICS) FACULTY EBENEZAR MEITEI
Facilities : Van Service & Hostel ( Separated - Boys & Girls) Contact No. 8730999192
For Detail :Visit Smart Tutorial
(HL-P/5899/11jan to 10march(alt

APOLLO TUTORIAL CENTRE
Registration Open for 2nd MOCK TEST
XII/Sc COHSEM
MOCK TEST SCHEDULE


| DATE | SUBJECT |
|---|---|
| 02/02/2020 | PHYSICS |
| 04/02/2020 | BIOLOGY |
| 06/02/2020 | MATHS |
| 08/02/2020 | CHEMISTRY |


Form Issue : 25/01/2020
Last Date of Submission : 01/02/2020
MOCK TEST TIMING : 10:00 am - 1:00 p.m
✓ Date of Result Annoucement : 9th Feb. 2020
✓ Answer key will be provided: On the date of Annoucement
As a well preparation for the coming HSE- 2020
FOR DETAILS Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR
Ref :- Mut. Case No. 67/AS&SO/TBL, dt: 20-01-2020
Thongam Chaoba Devi W/o (L) Ingocha Singh of Athokpam Awang Leikai. ...Applicant.
-Vs-
(Late) Thongam Ingocha Singh S/o (L) Bijoy Singh of Athokpam Awang Leikai. ...Opp.
ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Dt. 22/01/2020
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ২৮- থৌবাল অচৌবা পাট্টা নং ৩১১/২৫৬০ (অনৌবা), দাগ নং ৫২১৩/৫২৮১, এরিয়া ০.০৩৩০ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিদা নামা পাল্লিবা কো-পাট্টাদার নং ১শুবা থোঙাম ইঙোচা সিংহ মৃতু ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি থোঙাম চাওবা দেবী (মৃ: পাট্টাদারগী লোয়নবী) গী মমিংদা লম নামা পানবিরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। নত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।
Sd/- M. Ningthembi Singh
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur
HL-P/6078/28
HL-P/5859/4decto30jan,2feb

EDUCITY TUTORIALS
Enlightened through Education
EDUCITY Nagamapal Lamabam Leikai & Tera Tongbram Leikai
Foundation Course for Class IX and X
From 15th December 2019 & 5th January, 2020 (5 months course)
4:30 - 7:30 (Morning & Evening)
Math, Eng./Sc./S.Sc./M.M.
General Foundation Course for Class I to VIII From 5th January, 2020
Position Holders for HSLC-2019 (BOSEM)
7th Position
The mock tests series of EDUCITY help me a lot in preparing for the HSLC Exam. Through the tests, I got an opportunity to know my weaknesses and mistakes which is an important part of excel in the final exam. Indeed, EDUCITY is one of the best coaching centre which provides not only quantity but also quality education.
8th Position 11th Position 12th Position
19th Position 22nd Position 23rd Position
HIGH FLYERS FOR CBSE CLASS-X-2019
91.4 % 90.4 % 85.0 % 84.6 % 83.0 %
Scholarship available for brilliant students (from 85% and above)
Facilities -
PRINTED STUDY MATERIALS/ PROBABLE SUGGESTIONS
AVAILABLE SEPARATE BOY'S & GIRL'S HOSTEL
LIMITED SEAT - FIRST COME FIRST SERVE
COUNSELLING & REMEDIAL CLASSES FOR WEAK STUDENTS
SPECIAL TEST
VAN FACILITIES
I to V - All Subjects (₹ 1,200 per month)
VI to VIII - Maths, Eng., Sc., S.Sc., Hindi/ MM (₹ 1,500 p/m)
Our Faculties are :
Maths : Sir Anil, Sir Subashchandra, Sir Wenliam, Miss Sushmita
Science : Sir Korou, Sir BK, Mad'm Pushparani
English : Sir R.K. Dimbajit, Sir Apoi, Sir Kiran, Miss Sushma
Social Science : Sir Robin Soibam, Mad'm Romita, Miss Linthoi
Manipuri : Miss M. Esther, Miss Preety
Hindi : Miss Nomita
Available student's loan for the students studying in our institute
For details please contact 9612194500
HL-B/5916/27-31dec/1-28jan

S3
STEP TO SURE SUCCESS COACHING CENTRE
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
ADMISSION OPEN FOR
FOUNDATION COURSE FOR CLASSES VI TO VIII AND IX TO XII
Class starting from 26th Dec. 2019, 6th Jan. and 13th Jan. 2020
Class timing – (i) 5 am to 8 am (During vacations)
(ii) 2 pm to 5 pm
(iii) 4 pm to 7 pm
– Revision Class for X and XII
Class Commencing from 23rd Dec. and 6th Jan. 2020
Class timing – (i) 5 am to 8 am
(ii) 10 am to 1 pm
(iii) 2 pm to 5 pm
(iv) 4 pm to 7 pm
– Revision Class will focuss on scoring high marks based on CBSE, BOSEM and COHSEM exam. pattern. Analysis of prev. questions.
– Day boarding specially for exam. appearing students in 2020.
– Van Service and Hostel for both Boys and Girls.
– Sunday test series.
For more details please contact # 9856331259

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR
Ref :- Mut. Case No. 79/AS&SO/TBL, dt: 20-01-2020
Thingujam Shyam Singh S/o (L) Thingujam Roton Singh of Thoubal Kiyam Siphai. ...Applicant.
-Vs-
(Late) Thingujam Roton Singh S/o (L) Gulap Singh of Thoubal Kiyam Siphai. ...Opp.
ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Dt. 27/01/2020
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং ২২ - কিয়াম সিফাই পাট্টা নং ২৮৭ (অনৌবা), দাগ নং ১০৪৩, ১২১৫ অমদি ১২২৫, এরিয়া ০.১৫৭০, ০.২৭০০ অমদি ০.২৮০০ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা কো-পাট্টাদার নং ১শুবা রোতোন সিংহ মৃতু ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপা শ্যাম সিংহগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা য়েৎলবা য়াগনি। নত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।
Sd/- M. Ningthembi Singh
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur
HL-P/6078/28
(HL-P/5950/10jan to 9feb